# এক্ট ইষ্ট পোলিসিনা থবক্তা ওন্থোরকপদা থেংনরক্কদবশিং মায়োক্নবা শেম শাবা তাই

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ এক্ট ইষ্ট পোলিসি লাকপা লোয়ননা মণিপুরগী নোংপোকথোঙ হাংলকপা মতমদা থোক্লগাদবা ফিভম অদু মায়োক্নবা ঙম্নবা হৌজিক্তগী শেম শাবা হৌবগী তঙাইফদ্দবা লৈরে হায়না টেক্সতাইল কমর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী পি ৱাইফেনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ মাইক্রো, স্মোল এন্দ মেদিয়ম ইন্টরপ্রাইজেসকী দিভলপমেন্ট কম্মিস্নারেট– টেক্নোলোজি এন্দ ক্লষ্টর মেনেজমেন্টনা শীন্দুনা পাঙথোকপা লৈঙাক্না পায়খৎপা পোলিসি অমসুং ইনিসিয়েটিভ শিংগী মতাংদা ষ্টেকহোল্ডরশিংগী ৱার্কশোপ হৌদোক্লদুনা পি ৱাইফেনা মখা তানা হায়, ৱার্কশোপ অমা পাঙথোকপা মতমদা এক্সপার্টশিংনা তাক্লিবা অদুখক্তমক তারগা হনবগী মহুত্তা মখোয়না তাক্লল্লীবশিং অদু থবক ওইনা ওন্থোক্নবা হোৎনবগী তঙাইফদ্দবা লৈ। মসিদা মীয়াম্না অপান্বা খঙনিংবশিং অদু অখঙ অহৈশিংদা হংগদবনি।

লমদম অসিদা ফংলিবা হিদাক কান্নরবা পান্বীশিং অসি ভেল্যু এদিসন তৌবগী তঙাইফদবা লৈরি। মণিপুর অসি খা নোংপোক এসিয়াদ চৎখিগদৌবা গেটৱে অমনি হায়না লৌনরিবনি। মসিগী থোঙ অসি অথুবা মতমদা হাংদোক্লগনি। মসিগী মরমদা কুপ্না পূক্লিং চংনা খন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। মরমদি মসিগী থোঙ অসি হাংলকপা মতমদা ঐখোয়না মপুং ফানা থেংনবা ঙম্নবা হোৎনবা তই। মসিগী ৱার্কশোপ অসিনা চাউনা কান্নবা পুরক্কনি।

এফ এফ দি সি কনৌজদা মহৈরোই অমসুং ওফিসারশিংগী ত্রেনিং পীনবা প্রপোজেল অদু য়ারে। ঐখোয়না থবক অমা তৌবা মতমদা অনৌবা খরদি তৌনবা হোৎনগদবনি।

এফ এফ দি সি কনৌজগী প্রিন্সিপাল দাইরেক্টর এস ভিসুখলানা হায়, মণিপুরগী মীয়াম অসিনা য়াম্না প্রো এক্তিব ওইনা থবক তৌবা মীওই কয়া থেংনৈ। মসিগী মহয়না লমদম অসি শোয়দনা চউখৎ থৌরাংদা মায় ওনশিবা ঙমগনি।

ষ্টেট অসিদগী মহৈরোইশিং খনগৎলগা এফ এফ দি সি কনৌজদা পুরি। লোয়ননা হৌজিক হৌজিক করি তৌবা চঙগনি। করি তৌগনি হায়বদু হান্না খন্নবা চঙই।

এফ এফ দি সি অসি মীয়ামদা হেন্না খঙহন্নবা থবক লৌখৎপগী তঙাইফদ্দা লৈ। হৌজিকহিদাক কান্নরবা পান্বী অমসুং মনম নুংশিবা পান্বীশিং অসি রেপ্লিকেট তৌনবা হোৎনগনি। মসি ঙক্লবদি শোয়দনা কান্নবা পুরকপা ঙমগনি।

থৌরম অদুদা ই এন্দ ভাই (পি এম য়ু) দেভেস গৌটম, কে পি এম জি (টি সি এম)গী কে পি লাল, এম এস এম ই ইম্ফালগী দাইরেক্টর ইন চার্জ তালিৱাটি লোঙচার অমসুং টি সি এমগী টেক্নিকেল এক্সপার্ট ডা. আর এস রাঘবনসু শরুক য়াখি।

# চৎনা লোনচৎ কাউবগী ফিভম অমা লাকপসি লাইবক থিবনিঃ গোবিন্দাস

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৯(এস এন এস)ঃ নীংশিংবা থোক্তুবা মতমদগী ইপা–ইপুশিংনা থম্বীরম্বা চৎন–লোনচৎ, ফিজেট–চাকচা, লাইনিং–লাইশোন অমসুং থকসি খাসি ঙসিগী মীরোলনা কাউরকপা অমদি খঙদবা মানবা ফিভম অমা লাকপসি য়াম্না লাইবক থিবনি হায়না বিষ্ণুপুর কেন্দ্রগী এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ইমা ইমোইনু থৌগল থৌশিল কাংলুপ কংলৈপাক (ঈথক)না শিন্দুনা লম্লাই কেন্দ্রগী মনুং চনবদা লৈবা লম্লাই সলাম পাৎতা হৈগ্রু হিদোংবগী থৌরমগা মরী লৈননা পাঙথোকপা তরেটলক শুবা হিয়াং তান্নবগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরমদুদা লম্লাই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চিয়াপার্সন আর কে মেমি, লম্লাই কেন্দ্রা দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী এদভাইজর অচোইবম দেবেন, খাঙবোক এ সিগী এম এল এ সুর্জকুমার ওক্রম অমসুং থোঙজু এ সিগী সোসিয়েল ৱার্কর এস ঐচ প্রেম্বের্জিৎনা মথংশিংনা প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা মখা তানা হায়খিবদা কাংলুপ–ফুরুপ অমা হিংলম্মী হায়বসি কাংলুপ ফুরুপ অদুগী চৎনা লোৎচৎ, ফিজেট চাকচা, লাইনিং লাইশোন, থকসি খাসি, কলচর অমসুং শান্না খোৎনবনা মশক তাক্কদৌরিবনি। মরম অদুনা পূম্নমক অসি ঙসিগী অমসুং হৌরক্লিবা মীরোলশিংনা তুং কোইনা শুথাং নাইনা ইন্দুনা চৎপগী তঙাইফদবা লৈ। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা হৌরক্লিবা মীরোলশিং খঙহন্নবা অমদি য়োকখৎনবা পাম্দমদা ইপা ইপুশিংনা থম্বীরম্বা হিয়াং তান্নবা হায়বা মশান্না অমসু ওইরিবা কুঙ্কৈ অসিবু চহী খরগী মমাঙদগী ঈথক্না শীন্দুনা পাঙথোক্তুনা লাকপসি য়াম্না থাগৎনিঙাইনি। মসিনা তুংদা শুথাং কয়াগী মতুংদা ইশানা ইশাবু শকতাকপা ঙম্বা কাংলূপ ফুরুপ অমা হায়বদু ওইবা ঙমগনি হায়খি।

থৌরম পাঙথোক্লিবা মফম অমসি চীং–পাৎ অমদি লৌবুক লক্ষাংগী ফজবা অদু চপ চানা উবা ফংবনা মফম অসি টুরিষ্ট স্পোট অমা ওইনা শেমগৎলবদি তুরিষ্ট কয়াগী পূক্লিং চিংশিনবা ঙমগনি। টুরিষ্ট কয়া লাক্লবদি লমদমসি চাওখৎপা ওইগদৌরিবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা তোঙান তোঙানবা হিরোই লূপ ১৮না শরুক য়াদুনা হিয়াং তান্নবনা থৌরমগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

## ঙসি মাও কৈথেল

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ০৯(এস এন এস)ঃ ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা মফমদা চয়োল অমগী মনুংদা লৈবাকপোকপা অমসুং ইরাই খুদিংগী মাও কৈথেল হাংবগী শরুক অমা ওইনা হয়েং মাও ইম্ফাল মার্কেট কো ওর্দিনেসন কম্মিটি, সোসিয়েল রিফোর্মর ক্লব, খুরাই অমসুং কো ওর্দিনেটিং বোদি খুরাইনা পূন্না শীন্দুনা মাও কৈথেল হাংগদৌরি।

হিরম অসিগী মতাংদা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই পুথিবা কম্যুনিটি হোলদা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা মাও ইম্ফাল মার্কেট কোওর্দিনেটিং কম্মিটিগী চিয়ারমেন পেসি ফোজেনা হায়খি, কুমজা ২০১৫ গী জুলাইদগী তম্পাক্কী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা হোৎনবিদুনা ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা মফমদা হাংদুনা মাওগী পোখোকশিং মীয়ামদা ফঙহন্দুনা লাক্লি। মসিগীদমক লমদম অসিগী তম্পাক্কী সি এস ও শিংবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎখি।

# তপ্তাগী ঈশৈ অমদি ময়েক্কী মতাংদা সেমিনার পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ তপ্তা এন্দ সোসিয়েল রিলেভেন্স ওফ হিস লিরিক্স হায়বা হীরমসিদা নোংমগী ওইবা সেমিনার অমা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ আর্থ সাইন্সকী সিনেট হোলদা পাঙথোকখ্রে।

সেমিনার অদুবু হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিসিগী দিন ওফ ষ্টুদেন্টস ৱেলফেয়ার প্রোফেসর টিঐচ রতনকুমারনা চীফ গেষ্ট, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী স্কুল ওফ হ্যুমেনিটিসকী দিন প্রোফেসর যসোবন্তনা গেষ্ট ওফ ওনর অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট কৈশাম লেবাননা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা শৈশকপা তপ্তা জয়েন্তদা মুসুগী প্রসিদেন্ট লেবাননা ইন্সপিরেসন সিঙ্গর ওফ মণিপুর হায়বা মনা অমসু খূৎশিন্নখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা শৈশকপা তপ্তা জয়েন্ত না ফোঙদোকখিবদা মহাক্তুম্বা ইচম চমজবা শৈশকপা অমগী মতাংদা য়ুনিভর্সিটিগী থাক্তা সেমিনার অমা শীন্দুনা খন্ন–নৈনবগী থৌরম পাঙথোকপীরকপা অসি মঙগুম্বা থৌদোকনি। মসিদা হায়নিঙাই লৈতনা নুংঙাইবা ফাওই। ঐহাক্তি করিসু খঙ– হৈবা নত্তে, খুন্নাই অমদা হিং লুবনিনা খুন্নাইসিদা থেংনরকপশিং অদু ঈশৈ ওইনা শক্তোকপা খক্তনি। মখা তনসু শকখিগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অসিগী মতাংদা মুসুগী জেনরেল সেক্রেটরী চোংথাম ব্রিজিৎনা হায়, শৈশকপা তপ্তাগী ঈশৈ অসিনা কোনশিন্দবা হীরম ইরে লৈতে। মহাক্কী ঈশৈ অসিগা হেন্না নকশিন্ননা চৎলিবদি খুন্নাইগী থৌদোক ৱাথোকশিংনি। তশেংনমক মহাক্কী ঈশৈ অসি সোসিয়েল এনসাইক্লোপেদিয়া অমনি।

ইনখৎলক্লিবা নহাশিংগী মফমদদি মহাক্কী ঈশৈশিং অসিনা লমচৎ শেমদোক্লবা লাইরিক অমা পাবদা পীবা লৌশিং অদুমাইনা পী হায়না খল্লি। পৎশিন–পুমশিল্লবা খুন্নাই অসিদা মহাক্কী ঈশৈ অসিনা হিদাক অমা তৈবীবগী থৌদাং অদু লৌই। খুন্নাই অসিগীদমক খল্লিবা শৈশকপা অসিগীদমক মুসুনা করিগুম্বা খরদং তৌফম থোকই খন্দুনা সেমিনার অসি পাঙথোকপনি হায়না মহাক্না মখা তানা হায়খি।

সেসন অনী থোক্না পাঙথোকখিবা সেমিনার অদুগী অহানবা সেসনদা প্রোফেসর দব্লিউ নবকুমারনা চেয়ার্মেন ওইখি। মণিপুরী দিপার্টমেন্টকী রিছার্স স্কোলর পুদাংকোই লুৱাং অমদি সোসিয়েল সাইন্টিষ্ট ডা. ধনবির লাইশ্রমনা পেপর পাথোকখি।

অনীশুবা সেসনদা প্রোফেসর এন রাজমোহোন সিংহনা মোদরেটর ওইখি। ইকোনোমিক্স দিপার্টমেন্টকী এসিস্টেন্ট প্রোফেসর চিংলেন মাইস্নাম, মণিপুর দিপার্টমেন্টকী এসিস্টেন্ট প্রোফেসর নাওরেম সনাতোম্বা, এন্থ্রোপোলোজি দিপার্টমেন্টকী হেদ প্রোফেসর এমসি অরুন অমদি ইংলিশ দিপার্টমেন্টকী হেদ এসোসিয়েট প্রোফেসর ইরোম গমভিরনা শৈশকপা অসিগী মতাংদা পেপরশিং পাথোকখি।

# ধনচন্দ্র করিগীদমক হাৎখিবনো শেংদোকপিয়ু ঃ মীনা চোথে

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ০৯(এস এন এস)ঃ ঙরাং থাঙ্গা হৈস্নাম লৈকাইদা লৈবা হৈস্নাম বুধিগী মচানুপা হৈস্নাম ধনশ্যাম এলাইজ লানবোইবু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা অদু কনানা করিগীদমক চথখিবা থৌওংনো হায়না অথুবা মতমদা শেংদোকপীয়ু হায়না হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্ট মীনা চোথেনা ঙসি মীশি অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সি এগেনষ্ট দ ব্রুটেল কিল্লিং ওফ হৈস্নাম ধনশ্যাম এলাইজ লানবোইগী মীহাৎসিগা লোয়ননা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

ধনশ্যামনা হৌখিবা ২০১৮ দা রেপ কেস অমগা মরী লৈননা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট সেসন জজকী মখাদা ৱায়েল চখরি। অদুম ওইনমক বেলদা ময়ুমদা লৈরিঙৈদা ঙরাং মীওই অহুমনা দাইও অমুবা অমদা লাক্তুনা খঙহৌদনা নোংমৈ মরু ৬ কাপশিল্লম্বনি। লোয়ননা মহাক লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদবনি। ৱায়েলশঙনা ৱায়েল চথদুনা অচুম অরানগী বিচার তৌবা লোইদ্রিঙৈদা অদুগুম্বা থৌওং চথরকপা অদু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, থৌদোক অদু হেক থোকপগা লৈকাই মীয়াম থোরক্তুনা লম্বী থিংদুনা মীহাৎপশিং অদু ফানবা হোৎনখি। চৈরক অদুদা মীহাৎপা ৩ অদুগী মনুংদা ১ ওইগনি হায়না চিংনবা অমা মখোয়না থৌরক্লিবা নম্বর থাদবা অমুবা মচুগী হোন্দা দাইও অমা থৌদুনা লাকপদগী ফাবা ঙমখি। লোয়ননা কৈবুল পুলিসতা শিন্নখি।

লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম অমা পীশিন্নবা শেম শাবা লোইরে। নুমিৎ ১০ নিগী মনুংদা লৈঙাক্না ইনক্বারি তৌদুনা অচুম্বা পুথোক্ত্রিবা ফাওবা অশিবা হকচাং লৌরোই অমসুং মখল মখা কয়াগী খোঙজংশিং চঙশিল্লগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## দেসাম: মীতে / মৈতৈবু..

*লমায় ১গী মখা* ...থবক তৌবীয়ু। এস টি দি সি এমগী অহলশিংনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিবু মুন্না খঙ্দুনা ইরমদম মণিপুরসিগী অমত্তা ঙাইরবা তৌদবা য়াদ্রবা ঈথৌদাংনি খন্দুনা মীপূম খুদিংমক্না সপ্পোর্ট তৌবীয়ু। লোয়ননা লমদম অসিদা লৈরিবা স্কুল, কোলেজকী মহৈরোইশিং অমদি ক্লব, মৈরা পায়বী লূপশিংনসু সেদ্যুল ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটি মণিপুরনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিবু মপূং ফানা শৌগৎমীন্নদুনা মীতে / মৈতে ফুরুপপু ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসননা ঙাক্লৌ ওইদুনা এস টি লিষ্টতা চলহন্দুনা ঐখোয়গী ওইবা শক–চু, চৎনবী, ফিজেৎ–চাকচা লাইনিংশিং ঙাক্লা থন্নবা হোৎনমীন্নসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# হৈগ্রু হিদোংবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ০৯(এস এন এস)ঃ চহী খুদিংগী শ্রী শ্রী বিজয় গোবিন্দগী থঙ্গপাৎতা নাৎ চৎনবী অমদি লাইনিং লাইশোনগা মরী লৈননা লাবনগী ১১নি পানবদা হৈগ্রু হিদোংবগী থৌরম লেপ্তুনা পাঙথোকপগুম কুমসিসু শ্রীশ্রী গোবিন্দজি সেবায়ট কম্মিটিনা শীন্দুনা বিজয় গোবিন্দ থঙ্গপাৎতা হিয়াং তান্নবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা শগোলবন্দ এসেমব্লি কনষ্টিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ, আর কে ইমো, ৱাঙ্গৈই এসেমব্লি কনষ্টিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ, ও লুখোই অমদি অতৈ মশক নাইবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগী মতাংদা এম এল এ, আর কে ইমোনা হায়, হৈগ্রু হিদোংবগী থৌরম অসি ৯৮৪ এ দি দগী হৌদুনা লমদম অসিবু ইং তপ্পা, তংদু লৈতাবা, চাকহোং ঙাহোংবা খুন্নাই অমা ওইনবা লাইনিং লাইশোনগী থৌরমগা শাগোন্ননা লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবনি।

লমদম অসিদা লাইনিং লাইশোনগী অহোংবা চাওনা লাকখিবা অসিনা থৌরম অসিদসু অহোংবা খরদি অদুমক লৈখি। অদুবু নুঙগী ওইবা ৱাখল্লোন অদুদি ঙসি ফাওবা লেঙদনা লৈরি হায়না এম এল এ না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরমগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা হিয়াং তান্নবা অদুদা মকোক মথং তারবা হিরোইশিংদা মনা মথুমসু য়েন্থোকখি।

## এৱার্নেসকা লোয়ননা রোক্স কন্সর্ট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ (এস এন এস)ঃ ভিনেটে এন্দ ফ্রেন্দসনা শীন্দুনা রিমেম্বরিং রোনি জেমস হায়না মিংথোনবা লমদম অসিদা কেন্সরনা নাদুনা অমদি ফম্মুদা য়াতদুনা লৈরবা অনাবশিংদা মতেং ওইনবা এৱার্নেস কেম্পেইনগা লোয়ননা রোক্স কন্সর্ট অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। সগোলবন্দ শয়াং পুখ্রিমপালদা লৈবা উষা ভাবন কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

# হৈস্নাম লালবোই য়ু এন এল এফনা হাৎপা ...

*লমায় ১গী মখা...* তাবা অদুৱাইদা চঙজরকপদগী ইমুং মনুংদা পাউ পীদুনা নুপীমচা অসি কনখিবনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

করিগুম্বা নুপীমচা অসি শিরম্বা থোক্লবদি শারমচৎ চৎপশিংগী হঙ্গৈইনিঙাই ওইবা থৌদোক অসিগী লংলা–লংজিল মাঙহল্লম্বসু য়াই। মতম অসিদা য়ু এন এল এফনা মীয়ামদা খঙহন্নীংলিবা ৱাফমদি অসুক শাথীবা ক্রাইম 'গেং রেপ অমদি এট্টেম্পট টু মর্দর' গী থৌদোক্তা চেন্নরিবা মীওইশিং অসি ইরায় লায়না জুভেনাইল কেসনি হায়বগী মিংদা বেল পীথোক্তুনা ভিক্টিম নুপীমচা অসিগী পুন্সিদা অকি–অখং অমদি তুহৎপীবগী নুংঙাইতবা চৈনা কয়া ফংহল্লি হায়না মরাল শীরি।

নাকল অমরোমদনা শারমচৎ চৎপা রেপিষ্টশিং অসিবু মনীং তম্না শেল অমদি শঙ্গ লৈরবদি 'ঐখোয়না তৌনিংবা তৌবা য়াই' হায়বা মখোয়গী থোইচৎনবা ৱাখল মীৎয়েং অদুবু য়োকখৎলি। মরম অদুনা মণিপুর মীয়ান্না অসিগুম্বা হংলাই ষ্টেট লৈঙাক অসিগী সিষ্টেম অসি খঙজিনবা মথৌ তারে অমদি মসিগী মায়োক্তা ঐখোয়গী মীয়ান্না লেপ্পগী খোঙথাং লৌখৎপগী মতম ওইদ্রিবরা হায়বা অসিনি।

মতম অসিদা থাঙ্গগী মীয়াম মরু ওইনা নুপী খুন্নাইদা য়ু এন এল এফনা নোল্লুক্না নীংশিংজনিংবদি অসিগুম্বা নুপীবু শান্নপোৎকুম খনবা, অচুম্ববু শেল অমদি শঙ্গনা নমশিল্লগা তৌনিংবতা তৌগনি খনবা খুন্নাইগী মহীকশিং য়ু এন এল এফনা চৈরাক পীরকপা মতমদা মরম চাদনা জে এ সি শেমগনি হায়বনচিংবা ঈহৌ শাগৎপীগনু। ঐখোয়গী খুন্নাই কনবা হায়বসি ঐখোয় পূন্নমক্কী চেনফদ্রবা থৌদাংনি হায়বা অসি নীংশিংবিয়ু। অসিগুম্বা মীওইশিংবু য়োকখৎপীবগী মহুত্তা ইন্থোকপীয়ু হায়না হায়জরি।

মণিপুর মীয়ামদা য়ু এন এল এফনা থমজনীংবদি য়ু এন এল এফনা মতম কয়াগী মমাঙদগী ঐখোয়গী নুপী খুন্নাইবু ইকায়খুম্ননা য়োকখৎতুনা লাকখি লোয়ননা মখোয়গী হক কন্নবা, নুপীশিংগী থাক খুন্নাইদা ৱাংখৎনবা হোৎনদুনা লাকপদা নত্তনা লৈঙাক্কী ৱায়েল লোয়শঙনা অচুম্বা ৱায়েল নাথৈবীরবা, লৈত লায়রবা মীচঙ লৈজ দবা মীয়ামগীদমকসু লেপ্তুনা লাক্লি অমসুং মতুং তারকপদসু ফীরেপ অসি হোংখিরোই হায়নসু মখা তারক্লি।

## তরেৎশুবা পে...

*লমায় ১গী মখা...*অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই।

থৌওং অদুনা লৈঙাক অসিনা মখোয়গী মখাদা লৈরিবা ইমপ্লোয়িশিংদা অচান মীরাই নাইরে হায়বা ময়েক শেংনা তাক্লে। ফেগোক্তাগী মায়কৈদগীসু ইসু অদুগা মরী লৈননা লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংদা কয়ারক মেমোরেন্দম পীশিনখিবা লৈখ্রবসু ঙসি ফাওবা থবক্তা ওন্থোক্তুনা লৈরি। লৈঙাক্কী অসিগুম্বা থৌওং অসিনা লমদম অসিগী অফবা তুংগী য়ুম্বীরেলশিং পুথোকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা ওঝাশিংসু তুমীন্না লৈশিনবা ঙমদ্রে। ওঝাশিংগী অপান্বা অসি খঙবিদুনা লৈঙাক অসিনা সেপ্তেম্বর ২৩ ফাওবদা ওঝাশিংনা তাল্লিবা ৱাকৎ অদু থবক্তা ওন্থোকপিয়ু। করিগুম্বা ওন্থোক্তবা তারবদি সেপ্তেম্বর ২৪ দগী মাস কেজুয়েল লিভ য়াওনা মখল কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# চৈথেং ফংলবী নুপীশিং মথন্তা শিজবগী চাং ...

*লমায় ১গী মখা* ...হাৎপগী থৌদোক্তা মথং শিৎনা ২০, ১৫, ২৭, ৮ থোকখি। চিংনিঙাই ওইনা শিরম্বা নুপীগী মশীং মথংশিংনা ১৭, ১৩, ১৭, ১৬ থোকখি। কিদ্নাপ্পিংদা ৬, ১৫, ৪, ১। ট্রাফিক্কিংদা নুপী ৫, ৪৩, ২৪, ৪। মাঙখিবগী থৌদোক্তা ৬৯, ৬৭, ৫৯, ৪৭। তমথীনা ফুরম্বগী থৌদোক্তা ৪৬, ৬৭, ৬৩,৩১। মোব জষ্টিসকী থৌদোক্তা ২৩১, ৩৪, ৪৬। মশা মথন্তা শিজনবা হোৎনরম্বা থৌদোক্তা ২, ১। মশা মথন্তা শিজখিবগী চান্দা ৯, ৮, ১৩, ১১ য়ৌখি হায়না ৱুইমেন এক্সন দিভলপমেন্ট (দব্লিউ এ দি) গী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

ৱুইমেন এক্সন দিভলপমেন্ট (দব্লিউ এ দি) গী চীফ ফঙ্কসন্নরি সোবিতা মংশাতাবমনা পাউচেগো উন্নদুনা ৱারী শান্নবদা মহাক্না হায়, লৈঙাক অসিনা রেপনচিংবা থৌদোকশিংগী চৈথেং নংলবা নুপীশিংবু য়েংশিনবা ৱাৎপা অমদি মরান লৈবশিং ফাদুনা দন্দি পীবগী খোঙজেল অদু তপমনবনা মরম ওইদুনা চৈথেং নংলবা নুপীশিং মশা মথন্তা শিজরকপনি। নমদুনা ফম্নানবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংনা নুপী অমগী মশাদা অমদি ৱাখলদা হায়নিঙাই লৈতনা অৱাবা কয়া থেংনৈ। ইমুং মনুং, কৈরোই লৈকাই অমদি মী তিনবা মফমদসু মখোয়বু ইন্থোকপীবগী থৌদোক কয়া থোকপনা হিংনা–হিংনা শিবগা মান্নরবা পুন্সি মায়োক্নরি। করিগুম্বা মতমদা ৱাখল কম হেন্না শোক্ষখিদুনা মশা মথন্তা শিজবগী থৌদোক থোরক্লি।

হায়রিবা চৈথেং নংলবশিং অদু শেল–থুমগী ফীভম ফত্তবা, মনুং হঞ্জিনবা খুঙ্গং অমদি অশোনবা ইমুংদগী অয়াম্বা ওইরি। মখোয়গী অচুম্বা ফংনবগী ৱায়েলশঙদা লান্থেংনবদা চঙগদবা শেলফমশিং অদু ফাওবা পুথোকপা ঙমদবা ওইরি। অমরোমদা থৌদোকশিং অদুদা চেন্নরিবা এক্যুজশিং অদুনা খূৎকন পাঙ্গনবা, শেল পায়বা কাঙবু ওইবনা ৱায়েলশঙ অমদি পুলিসকী ইনভেষ্টিগেসনদা মখোয়না খুদোংচাবা লৌদুনা লৈরি। কেস লোইরমদায়দা ভিক্টিম অদুবু হাত্তোকপীবা অমদি কেস অদুবু থেংনরিবা উকিলশিংদা খূৎকন পাঙ্গনবা এক্যুজশিংগী মায়কৈদগী অকি–অখং নংহল্লকপগী থৌদোক কয়াসু লেপ্পা লৈতনা লৈবাক শিনবা থুংনা তাবা ফংলি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

চৈথেং নংলবী নুপীশিংবু ৱুইমেন এক্সন দিভলপমেন্ট (দব্লিউ এ দি) না কাউন্সেলিং তৌবীবা, শেল–থুমগী মতেং পীবা, ইমুং মনুংনা করন্না লোইনগনি হায়বগী এৱার্নেস পীবা, নুপীশিং অদুনা মরোমদোম হিংবা ঙম্নবা খূৎ–শা হৈবগী ত্রেনিং পীবা, পূক্লীং থৌগৎপীবা অমদি অচুম্বা পুথোক্লবা হোৎনবদা লোগী মতেং পাঙবনচিংবা তৌদুনা হোৎনরি। অদুবু লমদম অসিদা থোক্লিবা থৌদোক খুদিংমক অদু এন জি ও অদুনা লৈবাক শিনবা থুংনা চলাইবা ঙমদবনা হীরম কয়াদসু শোত্থরি হায়না ফোঙদোকখি।

ফৎত্রবা থৌদোকশিং অদুদা চেন্নরিবা এক্যুজশিং অদু ফাদুনা অতেনবা মতমদা দন্দি ফংহনবগী মথক্তা হায়রিবা থৌদোকশিং অদু থোক্ত্রিঙৈদা লৈঙাক্না করি করম্বা থৌশিল চৎনদুনা থৌদোকশিং অদুদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনগদবনি। লোয়ননা লমদম অসিদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক অমদি এন জি ওশিংনসু থম্মোয় শেংনা অমদি মীনুংশি অমগা লোয়ননা ভিক্টিমশিংবু লোয়নবীদুনা মখোয়বু হরাউ তয়ান্না লোনবীদুনা হিংনবা পূক্লীং থৌগৎপীনবা মহাক্না আপিল তৌরকখি।

মখা তানা পাউচে অসিনা ৱাখলগী অনাবা য়েংলিবা ডোক্তরশিং উন্নদুনা ৱারী শাবদসু হায়রিবা রেপ ভিক্টিম ৱাখলগী অনাবা কয়া থোকহল্লক্নে। মরু ওইনা থৌদোক অদু থোক্লম্লবা য়াবনি হায়বনচিংবা ৱাফমদা মশানা মশাদা মরাল শীজিঙৈ। মদুনা মশাবু মশানা নুংশিবা পোক্লক্তবা, পুন্সিগী মমল লৈতনা খনবা হৌরকপা কয়া তৌরক্তুনা ৱাখলগী লায়নাশিং অদুগী অনাবা ফীভম শোকলক্তুনা মশানা শিজবগী থৌদোকশিং থোরকপনি।

মসিগী মথক্তা পোষ্ট্রুমেটিক ষ্ট্রেস দিসোর্দর (পি টি এস দি)– ৱাখল নুংঙাইতবা অমদি ফুম্বংনবা, দিপ্রেসন– ৱাখল ৱাবা ৱাখল থোক্তবা, ফ্লাশবেক– থৌদোক অদু হঞ্জিন হঞ্জিন নীংশিংদুনা লৈবা, স্লীপ দিসোর্দর– তুম্বা য়াদবা, ইটিং দিসোর্দর– চাবা য়াদবা, গুইল– মশানা মশাবু মরাল লৈবগুম লৌরকপা, দিষ্ট্রষ্ট ওফ ওথর– থাজবা মাঙলকপা, এঙ্গর– অশাওবা, ফীলিংস ওফ পার্সোনেল পৱারলেস– মশা মথন্তা মশাগী শক্তি লৈত্রে, রেপিষ্ট অদুনা শান্ননিংবা মওংদা শান্নরে হায়না খল্লকপা– ৱাখলগী অনাবা পোক্লকপগী মথক্তা নম–হাদুনা থৌদোকশিং অদু চখিবনা ফিজিকেলগী ওইবা অনাবসু থেংনরি হায়না মখা তাখি।

মশা মথন্তা শিজবগী থৌদোকশিং অদুদগী কলহৌনবা ভিক্টিমশিং অদু মতম চানা লায়েংবীবা, ৱাখল অমদি হকচাং হরাওনা নুংঙাইনা থন্নবা হোৎনগদবনি। লোয়ননা অচুম্বা পুথোকপগী থৌরাং দা পুলিসনা তত্তনা ষ্টেটমেন্ট লৌবা অমদি কোর্টতা পুথোক্তুনা ঙাইহাক লৈতনা মীয়াম মমাঙদা উহনবা অদুনসু ৱাখলগী অনাবশিং অদু নারক্লবা অচৌবা মরম অমসু ওইরে হায়না ফিজোলোজিষ্টশিংনা ফোঙদোরকখি।

অমরোমদা, এদভোকেট অমনা ফোঙদোরকপদা, চৈথেং নংলবা নুপীশিংগী পুন্সিবু শেলগী তেঙবাংনচিংবা পীহন্নবা কোদ ওফ ক্রিমিনেল প্রোসিদ্যুরগী সেক্সন ৩৫৭–এনা সেন্ট্রেল অমদি ষ্টেট লৈঙাক্না পূন্না নুপীশিং অদুদা মতেং পীননবা কম্পেন্সেসন ফন্দ স্কিম (সি য়ু সি এফ) চৎনবা হৌখ্রবনি। স্কিম অসিগী মখাদা লুপা ক্রোর ২০০ কয়থোক্তুনা রেপ, এসিদ, হ্যুমেন ট্রাফিক্কিং অমদি তমথীনা ফুবা চৈবা চৈথেং নংলবশিংদা মতেং পীনবা হোৎনরি।

মিনিষ্ট্রি ওফ ৱুইমেন এন্দ চাইল্দ দিভলপমেন্ট গবর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা কম্প্রেহেন্সিভ স্কিম ফোর কম্বেটিং ট্রাফিক্কিং (উজা ৱালা), ইন্দিরা গান্ধী মট্রিটভা সাহয়োজ যোজনা, সপ্পোর্ট টু ত্রেনিং এন্দ ইমপ্লোইমেন্ট প্রোগ্রাম ফোর ৱুইমেন (ষ্টেপ), নেস্নেল মিসন ফোর এমপৱারমেন্ট ওফ ৱুইমেননচিংবা স্কিম অমদি প্রোগ্রামশিং থাদদুনা চৈথেং নংলবী অমদি নুপী খুন্নাই চাউখৎনবা হোৎনবগী মথক্তা দ সেক্সুয়েল হরাসমেন্ট ওফ ৱুইমেন এট ৱার্কপ্লেস ( প্রিভেন্সন, প্রোহিবিসন এন্দ রেদ্রেসেল) এক্ট, ২০০৩, প্রোটেক্সন ওফ ৱুইমেন ফোর দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স এক্ট ২০০৫, নেস্নেল কম্মিসন ফোর ৱুইমেন এক্ট ১৯৯০, দ ইম্মোরেল ট্রাফিক (প্রিভেন্সন) এক্ট ১৯৫৬ / ১৯৮৬, ক্রিমিনেল লো এমেন্দমেন্ট এক্ট ২০১৩ নচিংবা এক্ট কয়া অমা সেন্টরনা চৎনহন্দুনা নুপীদা চখবা মীওৎ মীনৈশিং হন্থনবা হোৎনরি।

অদুম ওইনমক স্কিম অমদি পোলিসি / প্রোগ্রামশিং অদু ফংনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্নবা অমদি পুলিসনা মতম চানা চার্জসিট থাগৎতবা অমদি ৱায়েলশঙশিংনা ৱায়েল বিচার তৌবদা মতম কা–হেন্না চঙবনা হায়রিবা এক্টশিং অদুসু মগুণ হন্থরি। মরম অসিদগী ভিক্টিমশিংসু মশা মথন্তা শিজবগী চাংসু হেনগৎলকপনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

পনবা য়াবদি মীয়াম্না তারিবা অমদি উরিবা ফম্নানবা অমদি মশা মথন্তা শিজবনচিংবা থৌদোকশিংগী মশীং অদু পুলিসতা অমদি মরী লৈনবশিংদা রিপোর্ট তৌরকখিবা অদু খক্তদা য়েংলগা শেম্বা দাটানি। মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদসু নুপীদা চখবা মীওৎ মীনৈ মশীং খঙদনা চখরি। চীংগী মফমশিংদসু কষ্টমরি লো অমদি লানহৌলূপশিংনা ৱায়েলদুনা নুপীশিংগী অচুম্বা নমশিন্দুনা লৈরিবনি।

# য়ুঠ পোলিসি চৎনদবনা লাইরিক–লাইশু হৈরবা নহারোল কয়া ...

*লমায় ১গী মখা*

অসিগুম্লবা প্রাইভেট সেক্টর মচা–মচা লাকপা অসিনা লমদম অসিগী লাইরিক–লাইশু হৈরবা নহারোল কয়াগী থবক পীরি। লমদম অসিদা অন–ইমপ্লোইমেন্টগী মীশীং লাক্ষ ৭ হেন্না লৈরি হায়বসি গবর্ণমেন্ট ইমপ্লোইমেন্ট হায়গদবনি। ইন্টপ্রেন্যার মশীং য়ান্না থোক্লককপা ঙমদা ঙমদ্রগসু লমদম অসিদা ইনখৎলক্লিবা ইন্টপ্রেন্যার খরা অসিনা য়ুঠ কয়াগী থবক পীদুনা অনৌবা খুন্নাইগী মায়ওন দা পুরক্লিবা অসিদা লৈঙাক্না পূক্নীং থৌগৎপীবা মথৌ তাই।

মহাক্না মখা তানা হায়, য়ুঠ ইমপৱার তৌনবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, স্কিল ইন্দিয়া কেম্পেনগী মখা ফ্লাপশিপ স্কিম অমা ওইনা হৌদোকখ্রবা প্রধান মন্ত্রি কানশল ভিকাস যোজনা (পি এম কে ভি ৱাই) অসিনসু মায় পাক্লা লমদম অসিগী নহারোলশিংদা এমপৱার পীবা ঙমদে। লৈঙাক্না নক্লবা মীওই খক্তনা স্কিম অসিবু লৌথরগা কান্নবা লৌনবা ঙাক্তনি।

লমদম অসিগী য়ুঠশিংনা লাইরিক য়ান্না পুদুনা মশানা পোলিসি, প্রোগ্রাম শেমজবা তঙাইফদে। লৈঙাক্কী পোলিসি ঙাইদুনা, লৈঙাক্কী থবক ঙাইদুনা লৈথোক্লবদি মায়কৈ ওন্নবা লম্বীদা চৎখিদুনা মাঙলবা নহারোল কয়া লৈরক্লিবসিগী মরম ওইগদৌরিবনি। লৈঙাক্নসু য়ুঠশিংগী পোলিসি, প্রোগ্রাম ইমপ্লিমেন্ট নীংথিনা তৌবীবা অমসুং ইন্টপ্রেন্যার কয়া শেমগৎপীনবা হোৎনবা অমদি লোননচিংবা শেনফম কয়া পীথবীদুনা চাউখৎপা মায়ওনদা লাকপদা অমদি অন–ইমপ্লোইমেন্টগী ইশু লৈতবা লমদম অমা ওইরক্কনি। অন–ইমপ্লোইমেন্টনা য়ান্না লৈবা লমদমদা পিছ, হারমোনি লৈরোই।

লমদম অসিগী য়ুঠশিং অসি মশাগী ওইবা আদিয়া য়ান্না লৈবা মালেমগী চাউখৎলবা লৈবাক কয়াগী থাক্তা থবক তৌবা ঙম্বা য়ুঠ মশীং লাংঙমদনা লৈরি হায়বসি লৈঙাক্না খঙবীবা মথৌ তাই। চহী অসিগী ওইনা মিনিষ্টর ওফ য়ুঠ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টসনা নেস্নেল দিভলপমেন্ট অমসুং সোসিয়েল সার্ভিসকী হীরমদা থবক তৌবা য়ুঠ চহী ১৫ দগী ২৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবশিংদা পীবা নেস্নেল য়ুঠ এৱার্ড ২০১৯ মোমোতা থৌনাওজমদা পীরকখিবা লৈখ্রবনি। বি এ, এল এল বি ৬ সেমিষ্টার খক্তা তম্লিবা নহা ওইৎরিবা মহাক্না লৌরিবা থৌদাং অদুবু পূক্নীং থৌগৎপগা লোয়ননা পীরকখিবা খুদিংমক্না খঙনরবনি। অসিদসু নত্তনা এৱার্ড অসি হৌখিবা কুমজা ২০১৬ গী নেস্নেল য়ুঠ এৱার্ড পীরকপদা অসামগী লক্ষিপুরদগী মণিপুরী কেঐচ কৃষ্ণনন্দনা পীরকখিবা লৈখ্রে হায়না ফোঙদোরকখি।

সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট অমসু ওইরিবা ডা. চিংলেন মৈস্নামনা পাউচে অসিদা হায়, লমদম অসিদা অন–ইমপ্লোইমেন্ট মশীং য়ামখৎলক্লিবা ষ্টেট লৈঙাক্কী ফাইনান্সিয়েল প্রোব্লেমগা য়ান্না মরী লৈনৈ। ফাইনান্সিয়েল ফীভম ফত্তনা ঙসি ফালবা লাকপনা লৈঙাক্কী লৌফম থোকপা অহাংবা পোষ্টশিং অমত্তা লৌদবা, তঙাইফদনা ষ্টেট ফোর্স পুলিসকুম্বা খরা কৌবা নত্তনা লমদম অসিগী য়ুঠশিংগী গবর্ণমেন্ট ইমপ্লোই ওইনবা থবক লৈতে। লৈঙাক্কী থবক তৌবা হায়রগদি পুলিস কম্মান্দো ওইবা হায়রগা খঙনবা লমনি। মসিদসু নীংবা কায়হৌবা নহারোল কয়া অমনা তুংগী লম্বী শান্না য়েংবদা অকিবা ফাওদুনা শেরান্নবা লম্বীদা চৎখিদবসু নত্তে। য়ুঠশিংগী ষ্টেট পোলিসি লৈতে। দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এন্দ এফিয়ার্সতা ষ্টুদেন্ট য়ুঠ ৱেফেয়ার ষ্টেট বদজেটতা হাপতে। য়ুঠশিংদা য়েংবা লৈঙাক্কী মীৎয়েংদি তশেংনমক লৈতে হায়বসু য়াই।

মহাক্না মখা তানা হায়, নেস্নেল রুরেল ইমপ্লোইমেন্ট গরেন্টর এক্ট ২০০৫ (এন আর ই জি এ) গী মখাদা নুমিৎ চাম্মনি ইমুং অমদা থবক পীগনি হায়বসি ফাওবা নুমিৎ মশীং শুনা থবক পীবা ঙমদবা লৈঙাক অসিদা ঙসিগী য়ুঠশিংনা লৈঙাক্কী য়ুঠ পোলিসি ঙাইরগা থবক তৌরবদি খুন্নাইদা নোংমা নোংমগী শোত্থবা হেল্লক্কনি। লৈঙাক্নসু লৈরিবা পোলিসি মচা মচাশিং অসি এক্সপান্দ তৌহন্দুনা হোৎনবা চঙই হায়না ফোঙদোকরক্লি।

# মণিপুরদা নেস্নেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন চৎনহনবা...

*লমায় ১গী মখা...* মসি চাউখৎ থৌরাংগী লমথুংফম অমনি হায়না লৌই হায়খি। মরম অসিনা লমদম অসিদা লৈরিবা খূৎলায় পায়দুনা লাল হৌরিবশিংনা ফোঙনা থোরক্তুনা ৱারী শান্নবগীদমক লৈঙাক্না থোঙ লাওনা হাংদুনা থল্লি হায়খি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনদা পাঞ্জী খরনা হংবদা হায়, মণিপুরনা ষ্টেট অসিদা এন আর সি চৎনহন্নিংবগী অপান্বা লৈ। মসিগীদমক সেন্টরগী লৈঙাক্তা হায়জরগনি।

মহাক্না হায়, ষ্টেট অসিনা এন আর সি চৎনহন্নবা হান্নানা ৱারেপ লৌবা লৈখ্রে। অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা লৈরিবা ষ্টেট খুদিংমক্না এন আর সিগী তঙাইফদবা লৈ। মসি চৎনহন্নবা ষ্টেট লৈঙাক্না কেবিনেটতা ৱারেপ লৌখিবা লৈরে হায়খি।

সেন্টর লৈঙাক্কী ওইনদি লোগী ৱাংমদা চঙশিল্লকপা মীতোপশিং লৈবাক অসিদগী মরু ফংনা তকথোক্লবা থবক লৌখৎপা হৌখ্রে। লোয়ননা মসিগী থবক অসি লৌখৎপীনবা সেন্টরতা হায়জখ্রে হায়খি।

নেদাগী মীফম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়, নেদা অসি অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা লৈরিবা কোংগ্রেস নত্তবা পোলিটিকেল পার্টিশিং পুনশিল্লগা লমদম অসিদগী কোংগ্রেস মপুং ফানা মুখৎনবা শেমখিবা এলাইয়েন্সনি।

কুমজা ২০১৪ দা নরেন্দ্র মোদি অমদুং আমিট সাহগী লৈঙাক অসি লাকখ্রবা মতুংদা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা অহোংবা কয়া লাকখ্রে। লায়েংনবা শেল লৈতবা মীওই কয়া লেম্না লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংহল্লে, মৈ থানবা ফংজদবা ইমুং কয়া মৈ ঙালহনলে, য়ুম লৈজদবা মীওই কয়া য়ুম শাহল্লে হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর অমদি হোম মিনিষ্টরনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা লাকপগা লোয়ননা লমদম অসিগী মীয়ামগী অৱাবশিং খঙদোক্লবা হোৎনদুনা লাক্লি। লোয়ননা দোনর মিনিষ্ট্রিগী খুখাংদা চাউখৎ থৌরাং কয়া লমদম অসিদা উবা ফংলে হায়খি। হান্না অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মীয়াম্না ইন্দিয়ানা হন্না য়েংবিদ্রে হায়দুনা অরানবা ৱাখল খনলম্বা অদু ঙসিদি মদু লৈতে। পোলিতিকেল পার্টিশিংগী মরক্তা খেন্নবা থমদনা পুন্না চৎমিন্নবা ৱাখল ফাওহল্লে।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়, ইন্দিয়া অমসুং বাংলাদেশকী ঙমখৈ পরিংগী ৱাথোক লৈবাক অনীনা য়াশিন্নবা পুরকপা ঙমখ্রগা করিগী ষ্টেট মনুংগী লমখৈদা করম্না ৱারোইশিন পুরকপা ঙম্লোইদগে হায়খি।

মহাক্না হায়, অৱাং নোংপোক ষ্টেট অসি অমত্তা ওইনা পুন্না চংশিনমিন্নবগা লোয়ননা মসি মপাঙ্গল কলহনবনা ইন্দিয়া অসি মপাঙ্গল কলহনগদৌরিবনি।

কাশ্মীরদগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখিবা অসিনা প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱান নেসন ঠিওরি অসি হেন্না মপাঙ্গল হাপ্লে। মমাঙদা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিং অসি মমা মপা লৈজদবা মচাগুম খন্নরম্বা অদু ঙসিদি মমা মপা শুনা লৈরবা মচাগুম্লে। লমদম অসি চাউখৎহেনগে হায়রবদি হৌজিক লৈরিবা মতম অসিনা খ্বাইদগী চান্নবা মতম ওইরে হায়খি।

মীফম অদুদা মণিপুরদগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমার, সি এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর অমসুং এল জে পিগী লুচিংবা করাম শ্যাম য়াওনা মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিংসু শরুক য়াখি।

# আর্টিকল ৩৭০ অমসুং ৩৫–এ লৌথোকখিবগী মতাংদা ...

*ঙরাংগী মখা...*

মরম অদুনা আর্টিকল ৩৭০ লৌথোক্তুনা ইন্দিয়ানা কাস্মির ৱাথোক পায়শিনবগী মতিক লৈতে। মসিদা য়ু এন সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী অয়াবা লৈতে, ইন্টর্নেসনেল লোগী মায়োক্তনি। ১৯৪৭ গী আই ও এ অমসুং ইন্দিয়ান কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ য়েংলুরগদি কাস্মির অসি মশাগী মপুং ফাবা সোভেরেন্টি য়ু ও আই দা পীথোকখিবা লৈবাক অমনি। শুপ্নতগী য়ু আই ও গী এসোসিয়েট ষ্টেট ওইরকখিবা লৈবাক অমনি। মসিনা মরম ওইরগা মশাগী ষ্টেটহুদ পার্সোনেলিটি অমসুং হকশিং মাংখিবা লৈতে। মরম অসিনা কাস্মির মীয়াম্না ৱারেপ লৌদুনা তেম্পরবিনৎত্রগা ত্রান্সিস্নেল গবর্ণমেন্ট/গবর্ণমেন্ট ইন এক্সইল শেমবগী মপাঙ্গল লৈজে। অদুগুম্লবা জে এ সি গী গবর্ণমেন্ট ইন এক্সইল/ত্রান্সিস্নেল গবর্ণমেন্ট অদুনা মহাক্কী নিংতম্বা হঞ্জিন্নবা য়ু এন গী ৱায়েল লোইশঙ ওইরিবা ইন্টর্নেসনেল কোর্ট ওফ জষ্টিস (আই সি জে) দা ৱাকৎপা ঙম্মী। য়ু এন চার্টরগা শগোন্নরিবা আই সি জেকী ষ্টেটসকী আর্টিকল ৩৫ (২) অমসুং (৩) কী মতুং ইন্না জে এন্দ কে না য়ু এন গী মেম্বর ষ্টেট ওইদ্রবসু আই সি জে দা ৱাৎপা ঙম্বগী হক পীরি। মরম অদুনা জে এন্দ কে না আই সি জে দা চৎতুনা মালেমগী লিগেলগী মতেং লৌবদা অথিংবা লৈতে, মশাগী হক অমনি। মসিগী মথক্তা য়ু এন সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী ৱারেপশিংদা ময়েক শেংনা পান্দুনা লৈখ্রবা বাইলেটরেল ইসু অসিগী পার্টি অমা ওইরিবা পাকিস্থান্নসু আই সি জে দা পুথোক্তুনা ৱাকৎপা ঙম্মী। অদুবু ঙসিদি ইন্দিয়ানা হায়রিবা য়ানাচে, লো কয়া নাথৈরম্লগা জম্মু এন্দ কাস্মিরবু নম্ফুন্দা মখোয়গী খুবাম মনুংদা থমখ্রে। ইন্দিয়াগী থৌওং অসি কোরকোমনা কন্দেম তৌই হায়রি।

মতাং অসিদা মণিপুর (কংলৈপাক) কী ৱাফম পুশিল্লক্লগা, সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা মনিং মখা তম্না শাংনা মশাগী লৈঙাক পথাপ (কনষ্টিট্যুসন) লৈজদুনা লাকখিবা মণিপুর (কংলৈপাক) না ইং কুমজা ১৮৯১ গী এঙ্গলো–মণিপুর (কংলৈপাক) ৱারদা মায়থিবদগী বৃটিশ ইম্পিয়রকী মখাদা প্রোটেক্টোরেট অমা ওইনা ১৯৪৭ ফাওবা লাকখি। ইন্দিয়ান ইন্দিপেন্দেন্ট এক্ট (২এ), ১৯৪৭ গী মতুং ইন্না বৃটিশ সোভেরেন্টি লোইখিদুনা মণিপুর (কংলৈপাক) অমসুং অতৈ প্রিন্সলি ষ্টেটশিং মশা মশাগী হান্নগী সোভরেন্টি ইন্দিপেন্দেন্ট ষ্টেটসতা হঞ্জিল্লকখি।

লোনা য়াদে হায়না লাওথোকখ্রবা লানহৌলূপ ৪ গী অপূন লূপ অসিনা মখা তানা হায়, মণিপুর (কংলৈপাক) সু মসিগী কনষ্টিট্যুসন শেমদুনা মরোমদোম লৈঙাকচবা হৌরকখি। ইং কুমজা ১৯৪৮ দা মণিপুর (কংলৈপাক) লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীখল পাঙথোকখিবা অসিনা য়ুনির্ভসিয়েল অদল ফ্রন্চাইজ দা য়ুম্ফম ওইদুনা মীখল পাঙথোকপা খা নোংপোক এসিয়াদা মণিপুর (কংলৈপাক) না অনীশুবা লৈবাক ওইখি। ১৪ ওগষ্ট, ১৯৪৭ তা নিংথৌরোল লৈঙাক (মোনার্চি) মুখৎতুনা দেমোক্রেটিক প্রিন্সিপালদা য়ুম্ফম ওইদুনা মণিপুর (কংলৈপাক) মশাগী অশেংবা মীয়ামগী লৈঙাক লৈরকখি হায়রি।

অঙনবা মতমদগী সোভরেন্ট ইন্দিপেন্দেন্ট ষ্টেট অমা ওইনা অমসুং মশাগী অইবা কনষ্টিট্যুসন অমগী মতুং ইন্না লৈঙাকচদুনা লাকখিবা মণিপুর (কলৈপাক) বু ইন্দিয়াগী এক্সপান্সনিষ্ট পোলিসিনা নমথবা হৌরকখি। মতমদুগী দোমিনিয়ন গবর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা মালেমদা মনিং তম্বা লৈঙাকশিংগী মরক্তা লৈরিবা চৎন কাংলোন পূম্নমক খোঙ্গাওনদুনা মণিপুর (কংলৈপাক) বু ওক্তোবর ১৫,১৯৪৯ দা নমদুনা লৌখি। এনেক্সেসন অদু মণিপুর (কংলৈপাক) মীয়াম্না কৈদৌঙৈদা য়াখিবা লৈত্রি। অহোইনদুম মতমদুগী মণিপুর (কংলৈপাক) গী লেজিসলেটিব এসেমব্লিনা সেপ্তেম্বর ২৮,১৯৪৯ দা ফমখিবা সেসনদা ইন্দিয়ানা মণিপুর (কংলৈপাক) বু লৌশিনখিবা অদু য়ানিংদে হায়দুনা ফোঙনা ইন্দিয়াগী এনেক্সেসনবু কন্দেম তৌখি। ইন্দিয়ানা মনিং তম্লবা মণিপুর (কংলৈপাক) বু এনেক্স তৌখিবগী মায়োক্তা মণিপুর (কংলৈপাক) মীয়াম্না ১৯৪৯ দগী হৌরগা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা নেসনেল লিবরেসন মুভমেন্ট লেপ্পা লৈতনা চখদুনা ঙসি ফাওবা লাক্লি। মণিপুর (কংলৈপাক) মীয়ামগী মরোমদোম লেপ্পগী হক হঞ্জিন্নবা ইন্দিয়াগী লমলৌ লান্মীশিংবু লেপ্পা লৈতনা থেংনদুনা লাক্লি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

(মথং মথং)...